# য়ুক্রেনগী খের্সোনদা লৈরিবা রসিয়ন ট্রুপশিং ৱিটড্রো তৌনবা দিফেন্স মিনিষ্টরনা ওর্দর তৌখ্রে

মোস্কো, নবেম্বর ১০ (এজেন্সী):
য়ুক্রেনিয়ন ট্রুপশিংনা অকনবা কাউন্টর-ওফেন্সিব চথরক্লিঙৈ মরক্তা রসিয়াগী লানগী কেম্পেইনদা মখা তানা অচৌবা শাফু পীবা খোঙথাং অমদা রসিয়ানা য়ুক্রেনগী খা থংবা সিটি খের্সোনদা লৈরিবা রসিয়ন ট্রুপশিং সিটি অসিদগী হন্দোক্নবা মোস্কোনা ওর্দর তৌখ্রে।

য়ুক্রেনদা লৈরিবা রসিয়াগী কম্মান্দর সর্গি সোরোবিকিনগা লোয়নন পাঙথোকখিবা টেলিভাইস মীটিং অমদা রসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর সর্গি সোইগুনা ট্রুপশিং লৌথোকপা হৌননবা হায়খি।

কম্মান্দরনা সিটি অদুদগী ট্রুপশিং লৌথোক্নবগী অরুবা ৱারেপ অদু খঙহনখিবগা লোয়নন দনিপ্রো তুরেলগী নোংপোক থংবা তোর্বানদা ঙাকশেলগী থৌরাংশিং কনখৎহন্নবসু থৌরাংশিং কনখৎহন্নবগী ওর্দর তৌখি। খের্সোন সিটি রসিয়ানা চথরিবা স্পিসল মিলিটরি ওপরেসনদা খুদুম চনশিনখিবা য়ুক্রেনগী অহানবা অর্বান হবনি। লোয়নন মসি হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৪ দগী লান্দাবা হৌখিবদগী মোস্কোগী ফোর্সশিংনা কন্ট্রোল তৌরকখিবা অমত্তা ঙাইরবা রিজনেল কেপিটেলনি।

য়ুক্রেনগী ট্রুপশিংনা চয়োল কয়ামুক লেপ্তুনা ব্লেক সীগা নক্নবা সিটি অদুবু তারিবা ভিলেজশিং পায়শিল্লকখিবগা লোয়নন ক্রেমলিনন খের্সোনদা থল্লিবা লিদরশিংগা সিটি অসিদগী মীচমশিং হোন্দোক্তুনা লাকখি। তৌইগুম্বসুং য়ুক্রেনিয়নশিংনা রসিয়ানা লাউথোরক্লিবা ৱাফম অসিদা চিংনবা খরদি লৈবগুম তৌরি। য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্টগী এদভাইজর মাইখেলো পোদোলিয়াক্না ফোঙদোকখিবদা রসিয়ন ট্রুপ খরা হৌজিকসু মখা তানা খের্সোনদা লৈরি।

রসিয়ন ট্রুপশিংনা লান শোক্লদুনা খের্সোন থাদোকপগী খুদম চাংদম অমত্তা ঐখোয়না উবা ফঙদে হায়না মহাক্না ত্বিটর পোষ্ট অমদা ফোঙদোকখি। পোষ্ট অদুদা মহাক্না মখা তানা হায়, পান্দম অমগা লোয়নন থাদোরকপা টিভি ষ্টেটমেন্টদা য়ুন্সফম ওইবগী মথক্তা য়ুক্রেনগা ইন্টলিজেন্স দেটাতা য়ুন্সফম ওইরগা লমশিং লিবরেট তৌরি।

অমরোমদা, ক্রেমলিনগী সপোর্টরশিংনা সিটি অদুদগী ট্রুপশিং ৱিড্রো তৌবগী ৱারেপ অদু অচুম্বা খোঙথাংনি হায়না শৌগৎখ্রে। রসিয়ন ষ্টেট মেদিয়া গ্রুপ আরটিগী হেদ মার্গারিটা সাইমোন য়ানা হায়খি, রসিয়ন ট্রুপশিং দনিপ্রো তুরেলগী নোংচুপ থংবা তোর্বানদা এক্সপোজ তৌরগা লৈহন্দনবগীদমক্তা লোয়নন ক্রিমিয়াগী লন্থী ফাৎননবগীদমক্তা খের্সোনদগী হন্দোক্নবগী ওর্দর অদু য়াম্না মথৌ তাই। চেচেন চেন্নিয়াগী ষ্ট্রোংমেন রামজান খুদিরোবনা ৱারেপ অদু অরুবা ওইরবসু চুম্মী অমসুং ফজে হায়খি। ৱেক্নর মর্সিনরি গ্রুপ হৌদোকখিবা পুটিনগী মীচং অমা ওইরিবা প্রিগোজিনন খোঙথাং অসিগী মতাংদা চপ চাবা ৱাফম ফোঙদোকখিদে।

মহাক্ন হায়খি, মদুদি লান তৌরিবনি হায়দুনা মখা তানা পান্দম য়াওদনা খুৎলায় শীজিন্নবগীদমক্তা য়াম্না থুনা ৱারেপ লৌবা অমদি অশোয়বশিং খঙদোক্লগা শেমদোকপগী থবকশিং পায়খৎপনা হেন্না ফৈ হায়না মহাক্কী প্রেস সার্ভিসনা স্পিসল মেদিয়াদা ইখি। রসিয়ানা খের্সোন রিজন থাদোকপা তারবদি য়ুক্রেনন অজোব সী অমুক হন্না শীজিন্নবা ঙম্বতা নত্তনা প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনন মহাক্কী কেম্পেইন অদুদগী করি করি পান্দম ফঙলবগে হায়বসি মশক থোক্না উবা ঙল্লোইদৌরিবনি।

ট্রুপশিং হন্দোকপা অদুনা খের্সোন রিজনগী অতৈ মফমশিংগী মতাংদসু রসিয়াদা প্রেসর পীগনি। লমদম অসি কুমজা ২০১৪ দা মোস্কোনা লৌশিনখিবা পেনিন্সুলা ক্রিমিয়াগা রসিয়াগা শম্নহল্লিবা মফম্নি। খের্সোন অসি হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা লৌশিল্লে হায়না রসিয়ানা লাউথোকখিবা য়ুক্রেনগী লমদম মরিগী মনুংদা অমনি। য়ুক্রেনগী অৱাং নোংপোক থংবা খর্কিপ রিজনগী পাক চাওরবা মফমশিংদগী নমদুনা হন্দোকহনখিবা মতুং রসিয়ন ফোর্সশিংনা খের্সোন লৌশিল্লে হায়না লাউথোকখি।

মোস্কোগী কেম্পেইন অদুবু কন্না শৌগৎলিবা খের্সোন রিজনগী রসিয়ানা হাপখিবা দিপ্যুটি হেদ কিরিলষ্ট্রেমাউসোব কার এক্সিদেন্টদা শিখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা লাউথোকখিবা মতুং শুপ্নগী পুং খরগী মনুংদা রসিয়ন ট্রুপশিং হন্দোকপগী ৱাফম অসি লাউথোরকখিবনি।



# ন্যু জিলেন্দদা লৈবা ইন্দিয়াগী হাই কম্মিস্নারনা কম্যুনিটি ওর্গনাইজেসনশিংগী লুচিংবশিংগা উনখ্রে

ওক্লেন, নবেম্বর ১০ (এজেন্সী):
ন্যু জিলেন্দদা লৈবা ইন্দিয়াগী হাই কম্মিস্নার নেতা ভুসনন শগোলশেল নুমিত্তা ওক্লেনগী ওনে হুঙ্গাদা লৈবা ইন্দিয়াগী কোন্সুলেটকী প্রেমিসেসতা তোঙান তোঙানবা কম্যুনিটি ওর্গনাইজেসনশিংগী লুচিংবশিংগা উনখ্রে।

মদু মহাক্না ন্যু জিলেন্দ ক্বিৱি-ইন্দিয়ন কম্যুনিটিগা হকথেংননা উন্নদুনা ৱারী শানবা অহানবনি। মিদ এন্দ গ্রিট ইভেন্ট অদুদা ওক্লেন ইন্দিয়ন দাইস্পোরাগী শরুক অমা ওইনা মহাক্না তোঙান তোঙানবা কম্যুনিটি ওর্গনাইজেসনশিংগী লুচিংবশিংগা ইন্টরেক্সন তৌখি। অথুবা মতমদা হেন্না চাওবা কম্যুনিটি ইভেন্ট অমসু পাঙথোক্নবা থৌরাং তৌরি। ইথিনিক মেদিয়াগী মেম্বর পুন্নমক শরুক য়াহনগদবা মরু ওইনা মেদিয়াদা মীৎয়েং থমগদবা ইন্টরেক্সন অমসু পাঙথোক্নবা থৌরাং তৌরি। মতমগী খুদোংচাদবনা মরম ওইদুনা শগোলশেল নুমিৎকী ইভেন্ট অদুদা শুপ্নগী কম্যুনিটি লিদরশিংদমক শরুক য়াখি।

মথংগী নুমিৎ ইরাইদা হাই কম্মিস্নারনা ফোরেন মিনিষ্টর ননয়া মহুতাগা লোয়নন চহীগী ওইবা ইন্দিয়া-ন্যু জিলেন্দ বিজিনেস সম্মিটতা শরুক য়াগনি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ন্যু জিলেন্দদা থাগদবা ইন্দিয়াগী মতুংগী হাই কম্মিস্নার হাপখিবনি।

ৱাফম অসি শগোলশেল নুমিৎকী অঙনবদা ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়র্সকী ওফিসনা প্রেস রিলিজকী খুত্থাংদা লাউথোকখি। মহাক্না ৱেলিংতনদা লৈবা ইন্দিয়ন হাই কম্মিসনদা ওফিসকী চার্জ লৌখি। ইন্দিয়াগী এলিট ইন্দিয়ন ফোরেন সর্ভিস (আইএফএস) কী ১৯৯৪ গী বেটচকী ওফিসার অমা ওইরিবা ভুসন হৌজিক মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়র্সতা এদিস্নেল সেক্রেটরি ওইরিবনি।

ফম অসি পায়দ্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক্না কুমজা ২০১৭ দগী ২০১৯ ফাওবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী চিকাগোদা ইন্দিয়াগী কোন্সুলেট জেনরেল ওইনা লৈরম্বা য়াওনা মপানগী মরু ওইবা এসাইনমেন্টশিং অমদি পোজিসন কয়া পায়খি। করিয়র দিপ্লোমেট অমা ওইনা মহাক্কী মপানগী এসাইনমেন্টশিং অদুদা জপানগী টোকিওদা পোলিটিকেল অমসুং ইনফোর্মেসনগী চার্জ পায়বা, বাংলাদেশকী ধাকাদা প্রেস, কলচর অমসুং ইনফোর্মেসন ৱিংগী হেদ ওইবা অমসুং জমর্নিগী বর্লিনদা লৈবা ইন্দিয়ন এম্বেসিগী ইকনোমিক এন্দ কম্মর্সিএল ৱিংগী হেদ ওইনা লৈখিবা য়াওরি।

মহাক মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়র্সকী জোইন্ট সেক্রেটরি (পার্লিয়ামেন্ট এন্দ কো ওর্দিনেসন) অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ ফাইনান্সকী দিপার্টমেন্ট ওফ ইকনোমিক এফিয়র্সকী দিরেক্টর ওইনসু থবক তৌরম্মী।




# বাংলাদেশনা আই এম এফকা দোল্লর বিলিয়ন ৪.৫ কী ষ্টাফ-লেভেল এগ্রিমেন্ট পুরক্লে

ধাকা, নবেম্বর ১০ (এজেন্সী):
ইন্টরনেসনেল মোনিটরি ফন্দ (আই এম এফ) না বাংলাদেশকীদমক মতম শাংনা ঙাইনরক্নবা লোন সপোর্টকী শেনফম দোল্লর বিলিয়ন ৪.৫ রিলিজ তৌনবগী লন্থী ফাৎকদবা খোঙথাং অমা ওইনা নাকল অনীগী মরক্তা ষ্টাফ-লেভেল এগ্রিমেন্ট অমা পুরক্লে হায়বসি কনফার্ম তৌখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, ওক্তোবর ২৬ তগীনা নবেম্বর ৯ ফাওবা ধাকাদা লৈরিবা আই এম এফকী টিম অমা লুচিংলিবা রাহুল অনন্দনা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ৱাফম অসি লাউথোক্লদুনা হায়খি, মদুদি এগ্রিমেন্ট অদু আই এম এফকী মেনেজমেন্টনা এপ্রুভ তৌবা অমদি একজিক্যুটিব বোর্দনা য়াবগী মখা পোনগনি। হায়রিবশিং অসি লাক্লিবা চয়োল অসিদা মথং মথং উবা ফঙলগনি।

ওফিসলশিংনা হায়রি, মদুদি আই এম এফকী ফন্দশিং অদু এক্সটেন্দেট ক্রেদিট ফেসিলিটি (পিসিএফ), এক্সটেন্দেট ফন্দ ফেসিলিটি (ই এফ এফ) অমসুং রিজিলিয়েন্স এন্দ সষ্টেনেবিলিটি ফেসিলিটিগী মরক্তা য়েন্থোক্কনি। আই এম এফকী টিম্না লুচিংবা অনন্দগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, দোল্লর বিলিয়ন ৩.২ গী থা ৪২ গী অনৌবা ই সি এফ/ই এফ এফ এরেঞ্জমেন্ট লোয়নন দোল্লর বিলিয়ন ১.৩ রোমগী আর এস এফ এরেঞ্জমেন্ট অমগী মখাদা আই এম এফকী টিম্না বাংলাদেশকী ওথোরিটিশিংগী রিফোর্ম পোলিসিশিং শৌগৎনবগী ষ্টাফ লেভেল এগ্রিমেন্ট অমা পুরক্লে।

মহাক্না হায়, বাংলাদেশনা কন্না হোৎনদুনা কোভিদ পেন্দামিক্কী চৈথেং চাওনা নঙলুরবা শেল থুমগী থবক থৌরমশিং নৌনা অমুক খুমাঙ চাওশিলহল্লক্লবা মতমদা রসিয়া-য়ুক্রেনগী লানন অমুক অকায়বা পীবদগী করেন্ট একাউন্ট দিফিসিট হেন্না চাওথোকহনবগা লোয়নন ফোরেন একচেঞ্জ রিজার্ব থুনা হন্থরকখি অমদি ইনফ্লেসন ৱাংখৎলকখি।

অমরোমদা, লৈবাক অসিগী শেল থুমগী গ্রোঠ তপথরকখি। ওফিসল অসিগী মতুং ইন্না অনৌবা ই সি এফ/ই এফ এফ অদুগী পান্দমদি মেক্রো ইকনোমিক ষ্টেবিলিটি হঞ্জিলহনবা অমসুং অকায়বা পীরকপা য়াবা এদজষ্টমেন্টশিং লাকহন্দবা অসিনি। য়ুমশকৈশ নুমিত্তা বাংলাদেশকী ফাইনান্স মিনিষ্টর এঐচএম মুষ্টাফা কমলনা পাউমীশিংদা হায়খি, ঐখোয়না হায়জখিবগা মান্ননা লোন অদু ফংগদৌরিবনি। লোন অসিগী প্রোসেস পুন্নমক মথং থা ৩ গী মনুংদা মপুং ফানা লোইশিল্লগনি।



# ৱাজিরিষ্টানদা মিলিটেন্টশিংনা পুলিস ষ্টেসনদা এটেক তৌখ্রে

ইস্লামাবাদ, নবেম্বর ১০ (এজেন্সী):
মিলিটেন্টশিংনি চিংনবা খুৎলায় মতিক চানা পায়বা মীওই কাঙবু অমনা পাকিস্তানগী সাউথ ৱাজিরিষ্টান ট্রাইবেল দিষ্ট্রিক্টতা এটেক তৌখ্রে।

ড ন্যুজকী রিপোর্টনা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস ওফিসল (দিপিও) অতিকুলাগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, মিলিটেন্টশিংনা রাকজাই এরিয়াদা লৈরিবা পুলিস ষ্টেসনদা এটেক তৌবদা পর্সনেল অনী শিখ্রে অমদি অতৈ অনীনা অশোক অপন নঙলে।

এটেক্করশিং অদুনা ষ্টেসন অদুগী প্রেমিসেসতা লৈবা পুলিস ভেন অমসু মৈ থাখি অমদি অতোপ্পা গাড়ী অমগা লোয়নন খুৎলায় খরসু মখোয়না পুখ্রে।

দিপিও অসিনা মখা তানা হায়খি, ষ্টেসন অদুদা লৈরিবা পুলিস পর্সনেলশিংগী মশিংদগী মিলিটেন্টশিংগী মশিংনা য়াম্না হেল্লবসু পুলিসনা এটেক্করশিং অদুগা থৌনা লৈনা লাম্হেংনখি। এটেক অদুগী পাউ ফঙবদগী পুলিস অমসুং সেক্যুরিটি ফোর্সকী অচৌবা কন্টিঞ্জেন্ট অমা পুলিস ষ্টেসন অদুদা লাকখি হায়নসু অতিকুলানা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না পুলিসনা এটেক অদুদা চেন্নরিবশিং অদু ফাননবগীদমক্তা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ভেরিকেদশিং শেমগৎখ্রে। এটেক অদুগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন অমসু চথবা হৌরে হায়নসু দিপিও অসিনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা লালহৌবগী ইরাং কনখৎলকপগী মায়োক্তা লোকেল মীওই অমসুং ট্রাইবেল লুচিংবশিংনা রেল্লি অমা পাঙথোক্তুনা প্রোটেষ্ট চথখ্রে। মখোয়না ৱাজিরিষ্টানদা তুং কোইনা মরা তপ্পা ফিভম হঞ্জিলহন্নবা দিমান্দ তৌখি। লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম ফৎচিল্লক্লিবা অদুদা নুংনাংবা উৎলদুনা প্রোটেষ্টরশিংনা গভর্ণমেন্টদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অদু লাকশিন্নবগী লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা তকশিনখি।



# য়ুক্রেনগী লানদা নাকল অনীমক্তা লান্মী ১০০,০০০ শিরম্লগনি: মার্ক মিলি

ৱাশিংতন, নবেম্বর ১০ (এজেন্সী):
হৌজিক ফাওবদা য়ুক্রেনদা শোক্লরিবা লানদা রসিয়ন লান্মী লাক্ষ অমরোম অমসুং য়ুক্রেনিয়ন লান্মী লাক্ষ অমরোম শিরম্লগনি নত্ত্রগা অশোক অপন নঙলম্বা য়াই হায়না য়ুএসকী খ্বাইদগী সিনিয়র ওইরিবা জেনরেল অমনা পারি।

য়ুএস জোইন্ট চীফস ওফ ষ্টাফকী চিয়ারমেন জেনরেল মার্ক মিলিনা কনফ্লিক্ট অদুদা মীচম ৪০,০০০ রোমসু শিরম্লগনি হায়বগী সজেসনসু পীখি। য়ুক্রেনগী কনফ্লিক্টতা নঙলিবা মীশি মীনাশিংগী মতাংদা নোংচুপলোমগী ওফিসল অমনা হৌজিক ফাওবদা পীরিবা মশিংশিংগী মনুংদা মসি খ্বাইদগী য়াম্বনি হায়বা য়াই।

কিভনা মোস্কোগা অমুক হন্না ৱারী শান্ননিংবগী ইঙ্গিৎ পীরকখিবা অসিনা নাকল অনীগী মরক্তা নিগোসিএসন চথবা য়াবগী ফিভম অমদি উই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। হন্দক নুমিৎ খরনি অসিদা য়ুক্রেনন মোস্কোগা দিস্কসন খরা চথনববগী ইঙ্গিৎ পীখিবনি। মদু প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা ব্লাদিমির পুটিনবু নিগোসিএসন মখা চথবা হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা লৈঙাক্কী পৱারদগী লৌথোক্কদবনি হায়বা দিমান্দ অমা থাদোকখিবদগী ন্যু য়োর্কতা পাউমীশিংগা উনবদা জেনরেল মিলিনা হায়খি, মদুদি ৱারী শান্নবদা মায় পাকহনগে হায়রবদি রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনন লানগী মতমদা মায় পাকপা হায়বসি মিলিটরিগী পান্থে খক্কী খুত্থাংদা ওইথোক্তবা য়াই অদুনা অতৈ পান্থেশিংদসু মীৎয়েং চঙবা মথৌ তাই হায়বসি খঙমিন্নরবা মতমদা ওইথোকপা য়াই।

প্রসিদেন্ট জো বাইদেনগী খ্বাইদগী সিনিয়র ওইবা মিলিটরি এদভাইজর ওইরিবা টোপ জেনরেল অসিনা হায়খি, মদুদি কনফ্লিক্ট অসিদা নঙলিবা মীশি মীনাগী মশিং অসি য়েংলগা মোস্কো অমসুং কিভ অনীমক্না ইংমনবনা মরম ওইদুনা লান তপথরকপা য়ারিবা লাক্লিবা নিংথম থাগী মতমশিংদা নিগোসিএসন চথবা মথৌ তাগনি হায়বসি শোয়দনা খন্নবা য়ারবা ৱাফম্নি। জেনরেল মিলিনা হায়খি, মদুদি লান অসিদা রসিয়ন লান্মী ১০০,০০০ হেন্না শিরম্লগনি অমসুং শোক্লম্লগনি হায়না পাবা য়াই। মশিং অসিমক য়ুক্রেনিয়নশিংগী মায়কৈদসু নঙলম্বা য়াবা মীশি মীনাগী মশিংশিংনি।

পনবা য়াবদি, য়ুক্রেন অমসুং রসিয়া অনীমক্না হৌজিক ফাওবদা লান অসিদা শিখিবা নত্ত্রগা শোকখিবা মীগী মশিং চপ চানা ফোঙদোক্নবা লৈত্রিবনি।

মোস্কোনা ইকোন কোন্না হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা পীখিবা অপদেটতা কনফ্লিক্ট অদু হৌখিবদগী রসিয়ন ট্রুপ ৫৯৩৭ শিখ্রে হায়খি। রসিয়ন ট্রুপশিং মশিং য়াম্না শিখিবগী রিপোর্টশিং দিফেন্স মিনিষ্টর সর্গি সোইগুনা রিজেক্ট তৌখিবনি।



# ইনর্জি ক্রাইসিসকা মরী লৈনন য়ুনিটি লৈনবা আপিল তৌখ্রে

ব্রাসেলস, নবেম্বর ১০ (এজেন্সী):
ইনর্জিগী ক্রাইসিস মায়োক্নরকপগা লোয়নন বেলজিয়মগী প্রাইম মিনিষ্টর অলেকজেন্দর দিক্রুনা সিটিজনশিংদা অমত্তা ওইনা লেপমিন্ননবা আপিল তৌখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, বেলজিয়ন জেনরেল ফেদরেসন ওফ লেবরর (এফ জি টি বি) অমসুং কনফিদরেসন ওফ খৃষ্টিয়ন ট্রেদ য়ুনিয়ন (সি এস সি) না পর্চেজিং পৱার অমসুং ৱেইজ হন্থরকপগী মায়োক্তা জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌখিবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর দিক্রুনা আপিল অসি তৌখিবনি।

ষ্ট্রাইক অদুনা মরম ওইদুনা লৈবাক শীন থুংনা হোস্পিটালশিং অমসুং পব্লিক ট্রান্সপোর্টনচিংবা সেক্টরশিংগী এক্তিভিটিশিং হন্থখি। য়ুমশকৈশ নুমিত্তা সার্ভিস তৌরিবা ট্রেন অপুম্বগী শরুক মরি থোকপগী অমত্তমক মথৌ তৌবা উখি। সুপর মার্কেটশিংগী সার্ভিসসু কা হেন্না হন্থখিবগা লোয়নন পুলিস ফোর্স অমসুং এয়র লাইন সেক্টরদসু হন্থবা উখি।

প্রাইম মিনিষ্টর দিক্রুনা হায়খি, মদুদি মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা হন্দক্কী নিংথম থাগী মতমগী ওইনা ইনজিশিংগী বিলশিংগা মরী লৈনন য়ুরো ১০০০ ফাওবা কোমথোকপগা লোয়নন ইমুং মিলিয়ন অমদা গভর্ণমেন্টগী খোঙথাংশিং অসিগী কান্নবশিংসু ফঙহনগনি।

মহাক্না বেলজিয়ম অসি ওটোমেটিক ৱেইজ ইন্দেক্সেসন মেকানিজম লৈবা বেলজিয়নশিংগী পোৎ লৈবা ঙম্বগী পৱার হন্থরকপা অমদি ইনফ্লেসনদগী ঙাকথোকপা ঙম্বা অসিগুম্বা সিষ্টেম লৈবা লৈবাক অমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

গ্যাস অমসুং ইলেক্ট্রিসিটিগী মমল হন্থরকপগা লোয়নন মীয়ামদা পোৎ চৈ লৈবা ঙম্বগী পৱার হন্থরকপবু য়ানিংদবা উৎননবগীদমক চয়োল খরগী মমাঙদা জেনরেল ষ্ট্রাইক অদু লাউথোকখিবনি।

সিএসসিগী মতুং ইন্না ৱার্কর কয়া শেল থুমগী খুদোংচাদবশিং মায়োক্নরক্লি। মখোয়না হন্দক্কী নিংথম থা অসি ইনর্জি ফঙদবদগী অদুক্কী মতিক ইংলকপা য়াই হায়না মীপায়নরি।

# পোৎচৈগী মমল হেনগৎলকপগী মায়োক্তা চথখিবা ষ্ট্রাইক্না গ্রিসকী নোংমগী ওইবা থবক থৌরমশিংদা অকায়বা পীখ্রে

এথেন্স, নবেম্বর ১০ (এজেন্সী):
পোৎচৈগী মমল লেপ্তুনা হেনগৎলকপগী ফিভম গভর্ণমেন্টদা তকশিল্লদুনা প্রোটেষ্টর লিশিং কয়ানা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা গ্রিসকী কেপিটেল এথেন্স অমদি অতৈ মরু ওইবা সিটি কয়াদা পুং ২৪ গী জেনরেল ষ্ট্রাইক চথখ্রে।

গ্রিসকী পব্লিক অমসুং প্রাইভেট সেক্টরশিংগী য়ুনিয়নশিংনা কৌখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অদুনা স্কুলশিং, হোস্পিটালশিং অমসুং মেদিয়াগুম্বা পব্লিক সার্ভিসশিং লেপহনখিবগা লোয়নন পুং কয়া পব্লিক ট্রান্সপোর্টেসনদসু অকায়বা পীখি।

ষ্ট্রাইক তৌরিবশিংনা গভর্ণমেন্টদা মখোয়গী পোৎ লৈবা ঙম্বগী পৱার হন্থহল্লিবা লেপ্তুনা ৱাংখৎলক্লিবা ইনফ্লেসন লাকশিন্নবগী অহেনবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা তকশিনখি। ওফিসল দেটানা লৈবাক অদুগী চহীগী ইনফ্লেসন সেপ্টেম্বরদা চাদা ১২ য়ৌখি হায়বসি উৎখি। পোৎচৈগী মমলশিং হেনগৎলকপা অসিনা ইমুংশিং অৱাবা ওইরে হায়না পার্লিয়ামেন্ট বিল্ডিংগী মমাঙদা চৎখিবা খোঙচৎতা উৎখিবা বেন্নরশিংদা ইখি।

প্রোটেষ্ট অদুবু শৌগৎলিবা এপোষ্টোলেস রাজেস কৌবা প্রাইভেট সেক্টর এমপ্লোয়ি অমনা পার্লিয়ামেন্টগী মনাক্তা এজেন্সিদা হায়খি, মদুদি ঐখোয়গী লৈবাক্তা ঙসি থোক্লিবা অসি মরম শুকচা চাদে। সিভিল সার্বেন্ট অমা ওইরিবা রেনা দকৌট্রোনা হায়খি, মদুদি ঐখোয়গীদমক্তা, ঐখোয়গী অঙাংশিং, ঐখোয়গী অহল লমনশিং, ইচিল ইনাওশিং, খুন্নাই পুম্বগীদমক্তা ঙসি ঐখোয়না মফম অসিদা পুল্লিবনি। খুন্নাইদা চাকথুং ফিথুংশিং অমদি থোং মান্নদবগী ফিভমশিং ঐখোয়না পামদে। ৱার্করশিংগী পুন্সি কল্লু হায়না সিভিল সর্বেন্ট অসিনা প্রোটেষ্টরশিংগী অপান্বশিং খঙহল্লদুনা ফোঙদোকখি।

প্রোটেষ্ট অদু হৌরবা মতুং ঙাইহাক্কী মনুংদা প্রোটেষ্টর কাঙবু অমগা পুলিসকগী মরক্তা খুৎ থোক্নরকখি। তৌইগুম্বসুং মদুদা অশোক অপন থোকখিবগী পাউদি ফঙখিদে। লেবর য়ুনিয়নশিংনা ইনজিগী মমলশিং মশক থোক্না হন্থহন্নবা হায়জবগা লোয়নন হৌজিক ফাওবদা পীরিবা ষ্টেট সবসিদিশিং য়াম্না মতিক চাদে হায়খি।

মখোয়না মমল হেনগৎপগী মতাংদা পনখৈ লৈহন্নবা তকশিনবগা লোয়নন তঙাই ফদবা পোৎলমশিং অমসুং বিজিনেসশিংগী টেক্স হন্থহন্নবা অমদি খুৎশুমলশিংগা লোয়নন পেন্সনশিং মশক থোক্না হেনগৎহন্নবসু তকশিনখি।

ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না ফেমিলিশিং অমসুং বিজিনেসশিংগী ষ্টেট সবসিদিশিং ওইনা চহী অমদা গভর্ণমেন্টনা য়ুরো বিলিয়ন ১০ (য়ুএস দোল্লর বিলিয়ন ১০.০৭) কায়থোকখি। হন্দক্তা গ্রিক গভর্ণমেন্টনা মিনিমম ৱেইজ হেনগৎপগা লোয়নন মথং চহীদা পেন্সন চাদা ৭ হেনগৎলগনি হায়না লাউথোকখিবনি।



# স্বিদেনগী খ্বাইদগী চাওবা ন্যুক্লিয়র রিএক্টর টর্বাইন মথৌ তৌরক্তবদগী থিংজিনখ্রে



ষ্টোকহোল্ম, নবেম্বর ১০ (এজেন্সী):
টর্বাইন অমা মথৌ নীংথিনা তৌরক্তবদগী স্বিদেনগী খ্বাইদগী চাওবা ন্যুক্লিয়র রিএক্টর থিংজিনখ্রে। খোঙথাং অদুনা মরম ওইদুনা পৱার সপ্লাইগী প্রোব্লেমশিং লাকপা য়াই হায়না এক্সপার্টশিংনা ৱার্নিং তৌখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, ওস্কারসাম ন্যুক্লিয়র প্লান্টকী রিএক্টর ৩ য়ুমশকৈশ নুমিত্তা গ্রিদতগী দিস্কনেক তৌখি। ওকেজি ন্যুক্লিয়র কম্পেনিগী কম্যুনিকেসন্স দিরেক্টর দেজিরি লাজল জেবালনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা লোকেল মেদিয়ানা হায়রি, মদুদি টর্বাইন অদু শেমজিন্নবা ঐখোয়না হোৎনরি। তৌইগুম্বসুং করম্বা মতমদা মথৌ নীংথিনা তৌরক্কদগে হায়বসি ঐখোয়না হায়বা ঙমদে।

নেসনেল গ্রিদ ওথোরিটিগী স্পোক্স পার্সন ইরিক একনা হায়, রিএক্টর ৩গী আউটপুট মেগাৱাট ১৪০০ নি। করিগুম্বা মখা তানা প্রোব্লেম অদু কোকহনবা ঙমদবা তারবদি মদুনা পৱার সপ্লাইগী প্রোব্লেমশিং শোয়দনা লাকহনগনি। মসি থোকপা তারবদি নিংথম থাগী মতম অসি শুংশোই শোয়দনা মমাঙদা অমুক্তা থেংনখিদ্রিবা মওংদা ইংলগনি। হৌখিবা ওগষ্ট লোইরকপদা স্বিদেনগী খা নোংচুপ থংবদা লৈরিবা অতোপ্পা রিএক্টর অমা ওইরিবা রিঙ্গালস ফোর অসি প্রেসর বেসেলদা শোকপদগী থা কয়া মথৌ তৌবা ঙল্লরোই হায়বা লৈখ্রবনি।

মতুং তাবদা লোকেল মেদিয়া রিপোর্টশিংদা মেগাৱাট ১১৩০ গী আউটপুট লৈবা রিএক্টর অদুনা মথৌ লেপকদৌরিবা অদু মথং চহীগী জনুৱারী ৩০ ফাওবা ওইবা য়াই হায়না পনখি।

কন্সলটেন্সি কম্পেনি মেরলিন এন মেটিসকী ইলেক্ট্রিসিটি মার্কেট এনেলিস অমা ওইরিবা খৃষ্টান হোল্সনা স্বেদিস টিভি ন্যুজ এজেন্সিদা হায়খি, মদুদি রিএক্টর ৩ মথৌ লেপ্পা অসিনা পৱার সপ্লাইদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরগনি। হৌজিক মমল কা হেন্না ৱাংলে হায়রিবা ইলেক্ট্রিসিটিগী মমল অসি অমুক্তা হেন্না ৱাংখৎলক্লগনি। স্বিদেনগী ইলেক্ট্রিসিটি অয়াম্বা অৱাং থংবা লমদমদা পুথোকপনা মরম ওইদুনা রিএক্টর অদু লেপ্পদুনা পৱার ট্রান্সমিশন গ্রিদতা হৌজিক লৈরিবা প্রোব্লেমশিং হেনগৎহল্লগনি।

স্বেদিস রেদিএসন সেফতি ওথোরিটিগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী ইলেক্ট্রিসিটি প্রদক্সনগী চাদা ৩০ রোমদি ন্যুক্লিয়র পৱারনা ওইরি। স্বিদেনগী ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্ট অহুম হায়বদি ফোসমার্ক, ওস্কারসম অমসুং রিংহালসতা ন্যুক্লিয়র রিএক্টর তরুক ওপরেট তৌরিবনি।

# টর্কিদা আইএসকা মরী লৈনবা মীওই ১৯ দিটেন তৌখ্রে

অঙ্করা, নবেম্বর ১০ (এজেন্সী):
ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) টেরর গ্রুপকা মরী লৈনবনি হায়বা মীওই ১৯ টর্কিজ ওথোরিটিশিংনা দিটেন তৌখ্রে। য়ুমশকৈশ নুমিত্তা অঙ্করাগী এন্টি-টেরর পুলিসনা আই এসকা মরী লৈনৈ হায়বা মপানগী মীওই ১৫ গী প্রেমিসেসতা রেইদ কয়া চথখি।

মীওইশিং অদুগী মনুংদা খরদি হৌখিবা চহী কয়া অসিদা গ্রুপ অসিদা এক্তিব ওইনা থবক তৌখি হায়না লোকেল মেদিয়া রিপোর্টশিংদা পনখি। রেইদশিং অদুদা য়ামদ্রবদা সস্পেক্ট ১২ দিটেন তৌখি হায়না টি আর টিগী রিপোর্টতা পনখি।

চৈরকসিদা টর্কিজ সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা খা নোংপোক থংবা বেদমান প্রোভিন্সতা আই এস সস্পেক্ট মরি দিটেন তৌখ্রে। আই এসকা মরী লৈনৈ হায়বগী মরালদা খা নোংপোক থংবা সানলিয়ুপা প্রোভিন্সতা সিরিয়ন অনী দিটেন তৌবগা লোয়নন সেন্ট্রেল কাইসেরিদসু অতোপ্পা সিরিয়ন অমা দিটেন তৌখি। কুমজা ২০১৫ দগী টর্কিদা শাথিরবা এটেকশিং তোইনা চথরকখি হায়না মরাল শীরদুনা কুমজা ২০১৩ দা টর্কিজ গভর্ণমেন্টনা ইস্লামিক ষ্টেটপু টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমনি হায়না লাউথোকখি।

কুমজা ২০১১ দা সিরিয়াদা সিভিল ৱার হৌখিবদগী লৈবাক অসিগা তাইনরিবা টর্কিগী খা থংবা বোর্দর এরিয়াশিং সিভিলিয়নশিং অমসুং ফোরেন ফাইটরশিং ফাওদোক ফাওজিন তৌবদা শীজিন্নবা মরু ওইবা মফম ওইরকখি।

# পিটিআইগী প্রেসরদা চৎতনবা ৱারেপ লৌখ্রে

ইস্লামাবাদ, নবেম্বর ১০ (এজেন্সী):
পাকিস্তানগী কোলিসন গভর্ণমেন্টনা মরু ওইনা নেসনেল এসেমব্লি মুত্থৎতুনা মীখল ঙন্না পাঙথোক্নবগী দিমান্দ য়াওনা পিটিআইগী প্রেসরদা চৎতনবা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাজ সারিফ অমসুং পিএমএল-এনগী সুপ্রিমো নৱাজ সারিফনা ৱারেপ লৌখ্রে।

সিওপি ২৭ ক্লাইমেট কনফরেন্সকীদমক্তা ইজিপ্টতা চৎখিবা খোঙচৎ অমা লোইরবা মতুং য়ুমশকৈশ নুমিত্তা পিএম সারিফনা লন্দনদা থুংখিবা মতুং সিটি অসিগী এবেন ফিল্দ ফ্লেটতা মচিন মনাও অনী উন্নদুনা ৱারী শান্নখিবনি।

ছোর্স অমগী মতুং ইন্না মীফম অদুদা নৱাজ সারিফ, সেহবাজ সারিফ, মারিয়ম নৱাজ, সোলেমান সারিফ, হাসন নৱাজ অমদি ইমুংগী অতৈ মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা নৱাজনা মহাক্কী মনাওনুপা সেহবাজতা মহাক্কী অঙন্বা থাক্তা পাকিস্তানবু ইকনোমিক ক্রাইসিসতগী কনবা ঙম্নবা লেপ্তুনা হোৎননবা অমদি প্রেসর অমত্তদা য়াদুনা চৎতনবা হায়খি। মচিন মনাও অনীনা মীখলশিং মতম চানা পাঙথোক্নবা অমদি পিটিআইগী চীফ ইমরান খানন ইস্লামাবাদতা চৎননবা থৌরাং তৌরিবা খোঙচৎ অদু লিগেল পান্থেশিংগী খুত্থাংদা থেংননবা ৱারেপ লৌখি।